# মণিপুরগী লৈরোল শৈথাদা লৈরাং কুথাপলৈ - পুৱারীগী থৌদোকপু মীরোন মথং মথং লান্না পাউদম্লিব্রা?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

য়েংবদা পূক্লিং শুমহৎপা, লৈনম্না থম্মোয় হুবা মখল মথেল লৈরাং কয়ানি লমদমসিদা লৈকা ফন্না লৈশাৎ তল্লিবসি। লৈশক লৈচু লৈনমদুদি থম্বু থমখো, লৈরাং খুদিংমক্কী মতিক ময়াই অদুম্মক লৈরিবসিনি। মসিমক্কনি তাইবঙ মীনা ফংঙমদ্রবা মপুগী খুয়াখাদা মানা হেক্তমক য়ৌবা ঙম্লিবসি। লৈরাংশিংনা চন্নদবা মফম্বু লৈরিব্রা? নাৎ-কলচরগী ওইবা থৌরমশিং মরু ওইনা লুহোং-খোংদোং, পোকপা-শিবা ইয়াওদা য়াওই। উমংলাই হরাউবদা লৈ য়াওদবা য়াব্রা? লৈতেংগী মতাংদসু লৈরাং নাচোম হায়নরিসিনি। লৈরাং নাচোম অমগী ৱাথোক্তনি অদুঙৈ মৈদিংঙু থৱানথাবনা মশামক্কী তালোয় য়োইবু খুমন চনু শম্ফাবীবু তরেংয়োৎনা লৱাইলেম্ফুদা য়ৈশিল্লগা য়াইবী থৱায় লৌনবা সনা য়াথং তাউথখিবদো। খুমন চনু মাগী মোলাংখাদা লৈরম্বা লৈরাং নাচোমদু মনাও নুপা তৌগাইঙম্বগীনি হায়বা পাউথিনখোনবু থাজরুবগীনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা মমাঙঙৈগী মতমদা লমদম অসিগী চীং অমসুং তমদা ফংবা লৈ মখল কয়াবু অনা লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্লিবনি। থোইনা হেন্না শীংথাবা য়াবদি লমদম অসিদা ফংলিবা লৈ মখল কয়াগী মতিক ময়াই শৈথাবা লৈরোল মরাং কায়না মাঙলমচত্তা হিংলম্বা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বসিনি। লৈরাং অমা, শৈথা অমা ৱাৎপা কৌবা লৈতে। মৈদিংঙু চরাইরোংবনা লমদমসিদা লৈশাৎ তম্লিবা লৈ মখল চাম্মগী মরমদা শৈথাবা লৈরোল খুদোল তম্বীখি হায়বগী ৱাফম অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্মী। মসিগী হায়রুরবদি ঙসিগী মীরোল ঐখোয়সে পঙহিং হিংলিবা হায়দুনি। মীসু কৎনৈ হায়দুনা লৈ খূবাম খূবাম হেক্লগা লাইদা পঙকত্তা কৎনবজাৎনি। কৎলিবা লৈগী মতিক ময়াই, ৱারী ৱাখোঙ খঙগে হোৎনবা মীগী মশীং পঙয়াম য়াম্লম্লোই। ঐখোয়বু খঙজসনু, থিজিঞ্জসনু, লৈবু নুংশিবা পোকসনু হায়দুনা শেম্বীরম্লবা লৈরোল শৈথাশিংনি। ঐখোয়না থৌশাবীদবৈ ৱানি। থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক্কা মরী লৈনবা লৈরাং কয়াগী ৱারীনি।

অসিগুম্লবা নুংওন ৱারীগা ইরোয়নরবা শৈথারোলনা মতিক ময়াই চিংথোক্লিবা লৈরাং কয়াগী মনুংদা লৈরাং কুথাপলৈসু শীংথাবা য়াবা অমনি। অঙাং ওইরিঙৈদা কুথাপ মনা হেকপা তোয়না চৎলি। ইমাগী থৌদানি, উতি পোম্বদা হাপ্পনবনি। মপান চবুন চবুন শাৎপদু ফজৈ হায়বদি খঙই মীৎ মচা অনী পাল্লবনিনা। লৈরাং লৈনমসু অদুম্মক ফাওখি। মতিক ময়াইদি খঙখিদে, খঙনবসু হোৎনখিদে। মপু মাগী থৌজাল হায়বদুমক য়াই, লৈরোল থেংনরুই। অঙকপা নুংশিবা, হরাউবা নুংঙাইবনা পিক থল্লি। কুথাপলৈ লৈরাং অচম্বা লৈরাং ওইরমদ্রে। মণিপুরগী পুৱারীগী তাঙ্কক অমবু পাউদম্লিবা লৈরাং ওইরম্লে। মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহগী মতিক মথৌনাগা শাগোন্নবা লৈরাংনি। মণিপুরগী পুৱারীদা থাশিগা পাংখক ওইখিবা মতাং অমা লাকখি। তরামাপনশুবা চহীচাগী তঙ্খায় চনদ্রিঙৈদনি। চহী তরেৎ চূপ্পা খুন্তাক লানশিখিবনি। মখূৎ চল্লে, মখা পোল্লে হায়বগী মতিক মীওৎ মীনৈ চথুরকপদা খাঙবগী পাঙ্গল লোইখ্রবা মণিপুর মচা কয়া চীংদা, মান্দা অমদি মীরৈবাক্তা চেন্দুনা লৈখি। মতম অদুদা নিংথৌ মচাশিং চৌর্জিৎ, মার্জিৎ, গম্ভীরনচিংবসু কছারদা লৈখি। গম্ভীর সিংহদি কছারগী শরুক অয়াম্বা মাগী লৈঙাক মখাদা থমদুনা মতিক মঙান নাইনা পাল্লম্মী। অদুগা লোয়ননা অৱাগী মখা পোন্না হিংলিবা মণিপুর ইমাবু নীং-খা তমহনগে হায়বা ৱাখলসিনা অচেৎপা লাইনিং ওইরম্মী। ইংলিস ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনিগা মীচং চুংশিন্নবগী পোরম য়াৎখি। ***মণিপুর লেভী*** কৌবা লান্মী খূৎপু অমা শেমগৎখি। বৃটিশ লান্মীগা মীচং চুংশিন্নবা গম্ভীর সিংহগী মণিপুর লেভীনা অৱাবু মায়থীবা পীদুনা য়েক্লবগী মখূত্তগী মণিপুর হন্দোকখিবা তশেংনমক থোকখিবা থৌদোকনি। পুৱারীগী লাতমদা চন্দুনা লৈরি।

মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা অৱাবু মায়থীবা পীরগা মণিপুরগী নিংথৌ ওইখিবগা লোয়ননা লৈরাং কুথাপলৈ মিংথোনখিবগী মতাংবু শৈথারিবা লৈরোননি। শৈথারিবগা মরী লৈনবা ৱারী ৱাখোঙনি। অৱানা মণিপুর খুদুম চম্লিঙৈ মতমদনি। কছাড়দনি, মৈদিংঙু অমদি মনাই মশনশিং ঈশিং থিবা চৎলম্মী। অসুম চঙখিবদা লেংওন্দবী পাৎতা থুংলুরে। মফমদুদা ঙাইহাক অৱা পোত্থানরিঙৈদা নিংথৌ শাগৈগী নোরো সনাগা থেংনরম্মী। মরী মখোঙ হংনদুনা শকখঙ মায়খঙনরবা মতুংদা চহী হংনৈ। গম্ভীর সিংহনা চহী খরা হল্লম্মী। মচিন মনাও নুংশিনা লেঙ্গোন্নরবা মতুংদা অৱাগী মখূত্তগী মণিপুর হন্দোক্লবা লান্থেংমিন্নসি হায়না মনাও ইবুংঙোদা তাকপীরম্মী। মতম অদুদা অৱাগী কৈশুমশঙদগী তখেন মীৎলাউ অমসুং য়াম্বেম লাবা কৌবা মৈতৈ লান্মী লানফা অনী নাম্থোক্তুনা চেল্লক্লগা গম্ভীর সিংহগী খোঙ্গুল লীরকখি। মফম অদুদা মপু মনাই থেংনরম্মী। মতৌ অসুম্না অৱা লান্মীগা লান্থেংনবদা অৱা লান্মী কায়দুনা চেনখি। লানঙম ফিরাল থেত্তুনা অৱা লানফা খরসু ফাদুনা পুরকখি। মতুং তারকপদা সনা কোনুং তম্না হল্লকপগী লম্বী লমখাঙদা নিংথিজরবা লৈরাং অমা শাৎলম্মী। মৈদিংঙুগী য়াথং মতুংইন্না লৈরাং চার পুরক্তুনা সনা কোনুং চেকপল ৱাংমদা থাদুনা লৈকা ফন্না শাৎখিবগী মতাংবু অসুম্না শৈথারি - ***শিংঙেল লৈরাং অসিদি/মণিপুর ইরৈবাক্তা থারুসি হায়দুনা/গম্ভীর সিংহ নিংথৌনা পুরকপবু/নিংথৌগী সনা কোনুং চেকপলদা/লৈরাং মাবু থাববু/চহী কুমজা ওন্দ্রিঙৈ/শিংঙেল ফূগাইনা শাৎলকই*** । লৈরাং অদু উবদা নিংথৌ পূক্লিং নুংওল্লম্মী। অৱাগা লান্থেংনরুরগা মায় পাক্লা হল্লকপদা লোয়নরকখিবা চার অদুনা মপূং মরৈ ফানা তেক্ত কায়দনা লৈশাৎ তম্লকখিবদা লৈরাং অদুবু মপান নাইদখৈ নুংশিবা ফাওখি। লমদম অথাপ্পদগী পুরকখিবা লৈনি হায়বগীদমক মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা লৈরাং কুথাপলৈ হায়না মিংথোনখি। ইপা ইপুশিংগী ৱাংলবা ৱাখল লৌশিং অদু অঙকপনি। করিগুম্বা মফম অমা নৎত্রগা পাম্বী অমা মিং থোনবগী চৎনবী লৈরম্মী। অদুবু থোন্নিংই হায়দুনা পঙথোন থোঞ্জিনবা নত্তে। থৌদোক ৱাথোক মফম মতাং চানা থোল্লম্বা ঙাক্তনি। কুথাপলৈ লৈরাংসু অদুমঙায়, মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক নিংথৌ অমনা মিংথোনবীখিবা লৈরাংনি। অমরোমদা মণিপুর পুৱারীগী মরু ওইখ্রবা তাঙ্কক অমগা শাগোন্নরিবনি। লাইবক থীবা হায়গদ্রা, অসুক য়াম্না মরু ওইখ্রবা লৈরাং অসিগী মতিক ময়াই খঙবীবা মীওই খরা ৱাৎপ্রা খল্লি। অওনবা মতমগী খোঙলৈনি, মরাং কায়না উবা ফংলম্বা কুথাপলৈ মমি খরা খরা শামজিল্লকপগুম তৌরি। লৈরোলদা শৈথারম্বসিনা করিগুম্বা মফমদা কুথাপলৈ লৈরাং উরবদি মতম অমগী ৱারীদো লৈকা খুদিংমক্তা ইদুনা লৈরিবোই নীংগনি। ●

# মার্চ ২৩, ৯০শুবা ভগৎ সিংহবু ফাঁসি তৌখিবা নুমিৎ
# রেভল্যুস্নরি অমা ওইনা ভগৎ সিংহ

- সোটিনকুমার -

সহিদ ভগৎ সিংহ ইন্দিয়া মচাশিংগী মরক্তা মার্ক্সিষ্ট অমা ওইনা ইন্দিয়া মনিং মখা তমহন্নবগীদমক রেভল্যুসনগী লম্বী য়াৎখিবা লময়ানবশিংগী মনুংদা অমনি। ভগৎ সিংহনা সেন্ট্রেল ফিগর অমা ওইনা হৌখিবা রেভলুস্নরি নেসনলিষ্ট ষ্ট্রগল অসি য়ান্নদি তেনবা অকি-তুজুংবনা থনবা অমসুং শক্তি য়ান্না লৈবা তাঙ্ককনি হায়না লৌবা য়াই। ফ্রীদম ষ্ট্রগলদা ভগৎ সিংহনা লৌরম্বা রোল অমদি মাগী পোপ্যুলরিটিবু শিংথারদুনা জৱাহরলাল নেহরুনা ''য়ান্না ঙক্লিংঙাই ওই'' হায়না শিংথাখি। অদুগা ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেসকী ওফিসিয়েল হিষ্টোরিয়ান পত্তাভীসিভারাময়াগী মত মতুং ইন্না মতমদুদা ভগৎ সিংহগী পোপ্যুলরিটিসি গান্ধিজিগা পাঙ্খকনি মরমদি ভগৎ সিংহসি ইন্দিয়া শিঙ্খুংনা ফাওই। মহাক নহাশিংনা লাৎচরিবা আইদোলনি অদুগা য়ুমথোং খুদিংদা মাগী মীংসি ইকাইখুন্নবগা লোয়ননা শক শোন্নরি।

থৌনা ফরবা মশাগী চহী ২৩ দা ফাঁসি শগাই কাখিবা সহিদ অসি মহাক্কী ৱাখল, ফীদম, মানা তেল্লবা চহী খরদুগী মনুংদা পাঙথোকখিবা থবকশিং নৈনদুনা মীয়ামদা মরুওইনা হৌজিক্কী হৌরক্লিবা নহাশিংদা খঙহনবা অসুক্কী মতিক মতাং চারে। এন্টি কোলোনিয়েল ষ্ট্রগলদা ভগৎ সিংহগী সিগনিফিকেন্স অসি মহাক্লা বৃটিশ রুলগী মায়োক্তা য়ান্না ভাইওলেন্স ওইনা থেংনখিবগী মওং নৎত্রগা মাগী য়ান্না আইদেলিষ্টিক ওইবা হিরোইজম অদু নত্তে। মহাক্কী অশেংবা কন্ট্রিব্যুসনদি রেভল্যুস্নরী ফিলোসোফি অমা শাগৎনবা হোৎনবা, মদুগী মতুং ইন্না চথুগদবা খোঙচৎ চথবা মদুসু কোলোনিয়েল য়োক্কী মখা পোন্না লৈবগী খমথেংবা চৈথেং অদুগা নাকল অমরোমদনা লৈবাক মনুংগী ওইবা অচৌবনা মচাবু, অরৈবনা লৈতববু, অকনবনা অশোনববু তুহৎপীবগী লাকথুবীবগী শক্লোন কয়াগী মরক্তা ফীদম অমদি মীৎয়েংশিদনি মহাক্কা ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেস অমদি মতম অমগী নেসনলিষ্ট রেভল্যুস্নরীশিংগা খেন্নরিবসি।

ইন্দিয়া মনিং মখা তমহন্নবগী রেভল্যুসন করম্বা মওংদা চঙশিনগদগে হায়বগী মরিক চুম্বা কয়াৎ অমা য়াৎথোক্লবগীদমক্তা মহাক্লা মার্ক্সিজম মমুৎ তানা নৈনখি। মদুনা মহাকপু রোমান্টিক আইদেলিষ্ট রেভল্যুস্নরী ওইরম্বদগী মেটরিরেলিষ্ট অমদি এইঠিষ্ট (লাই থাজদবা) ওইহনখি। মশামক্কী ৱাহৈদা মমুৎ তানা থিজিল হুমজিল্লু হায়বসি মাগী থম্মোয়গী কাচিন খুদিংমক্তগী খোম্থাং য়ৈরকখি। মসিনা ঐনা হান্না থাজবা অমদি চুম্মী খল্লম্বা কয়াদা অহোংবা কয়া পুরকখি। মহাক্লা ৱর্ল্ড রেভল্যুসনগী তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন কয়া – এনার্কিষ্টকী লুচিং পুরেলনি হায়নরিবা বাকুনিন, কম্যুনিজমগী মপানি হায়নরিবা কার্ল মার্ক্স, ভি. আই. লেনিন, ত্রোস্কি অমদি অতৈ অফাওবা মীওইশিংসিনা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্তা করন্না রেভল্যুসন চথখিবগে হায়বা কুপ্পা নৈনখি। মসিগী মথক্তা অতোপ্পা কয়া অমা – টোম পাইন, অপটোন সিনক্লায়র, ভিক্টর হুগো, ফয়াওদর দোষ্টোইভস্কি, স্পিনোজা, জেম্‌স মিল, কার্ল কাউটিস্কি, নিকোলাই বুখারিন অমদি থোমাস একুইনাস মমুৎ তানা নৈনখি। অসুন্না নৈনবা অসিদগী মহাক্কী ইন্টেলেকচুয়েল মেকঅপতা অহোংবা অওনবা কয়া লাক্তুনা মেটরিয়েলিজম, সোসিয়েলিজম অমসুং এইঠিষ্টজমদা মপুং ফানা থাজবা অমা ওইরকখি। মহাক্কী পোলিটিকেল প্রিন্সিপল অমসুং সোসিয়েল ফিলোসোফিদি ''মীনা মীবু ওৎতবা, ফুরুপ অমনা ফুরুপ অমবু ওৎতবা'' সমাজ অমা শেমগৎপনি। ইন্দিয়াগী অতৈ রেভল্যুস্নরীশিংগা মহাক্কা খেন্নরিবসি আইদিওলোজি অসিনি।

ভগৎ সিংহদা সোসিয়েলিষ্ট অমা ওইরক্লবগী মরু হুনখিবসি লাহোরগী নেসনল কোলেজদা তম্লিঙৈদনি, মতমদুদা কলেজসি নেসনেলিষ্ট এক্টিভিটিশিংগী সেন্টর ওইরম্মী। মহাক্লা লেফটকী রেদিকেল ওইবা ৱাখল্লোন চেল্লকখিবসি মহাক্লা লখনৌদা নিংতম ঈহৌগা মরি লৈননা লাক্লবা মতুংদগীনি।

ভগৎ সিংহনা মতমদুগী মানা মকোকথোংনা য়াওখিবা ওর্গনাইজেসন অহুম – হিন্দুষ্টান রিপব্লিকান এসোসিয়েসন, হিন্দুষ্টান সোসিয়েলিষ্ট রিপব্লিকান এসোসিয়েসন অমদি নৌজৱান ভারত সভাগী থবক থৌরমশিংদগী ভগৎ সিংহগী ৱাখল্লোন সোসিয়েলিজমলোমদা চংশিল্লকপদু উবা ফংই। ঐখোয়না অমুক্তা মুন্না খঙ্খমিন্নদুনা য়েংসি মথং মথং শেমলকখিবা এসোসিয়েসনশিং অসিগা ইরোয়ননা পুরকখিবা অওনবা ৱাখল্লোন, ফিদমশিংদু।

হিন্দুষ্টান রিপব্লিকান এসোসিয়েসন কুমজা ১৯২৪ দা শেমখি। মসিগী পান্দমনা – নিংথিনা ওর্গনাইজ তৌরবা অমদি রেভল্যুসন অমগী ফেদরেল রিপব্লিক অমা শেম্বা। মসিনা মীনা মীবু ওৎপগী সিষ্টেম খুদিংমক মরু ফংনা মুথৎপা লোইননা লৌমী শিন্মীশিংবু ওর্গনাইজ তৌদুনা ফিউদেলিজম অমসুং কেপিটেলিজমগী মায়োক্তা মায় পাক্লা থেংনবা। হিন্দুষ্টান রিপব্লিকান এসোসিয়েশন শেম্বা মতমদদি সোসিয়েলিজম পুরকপগী মতাং পান্দমদা ময়েক শেংনা পন্দে। অদুবু কুমজা ১৯২৮ দা সোসিয়েলিষ্ট হায়বা ৱাহৈসি হাপচিন্দুনা সোসিয়েলিজমগী পান্দম ময়েক শেংলকখি। এসোসিয়েশনগী মিংদা অহোংবা পুরক্তুনা সোসিয়েলিজমগী ৱাফম পুশিল্লক্লিবসি ভগৎ সিংহনা ইনফ্লুয়েন্স তৌরকপদগীনি। মরমদি মহাক মার্ক্সিজমদা থাজবা মীশক অমা ওইরকখ্রে। এসোসিয়েসন অসিনা শুপ্নতগী নিংখা তম্বা ফঙনবগী ঈহৌদা নত্তনা ইকোনোমিক ফ্রিদমগী ৱাফমসু মসিগী মেনিফেষ্টোদা য়াওরে। এসোসিয়েসনগী মেনিফেষ্টোদা ময়েক শেংনা থল্লিবা ৱাফমদি– লৌমী শিন্মীনা নন্না লৈবা ইন্দিয়াদা মীরমগী সাসন অমদি ইকোনোমিক ইক্সপ্লোইটেসননা মশিং য়াম্বা প্রজাশিংবু ঙমখৈ লৈতনা চৈথেং পীরে। ফীভমসিদা ইন্দিয়াগী প্রোলিটরিয়েটশিং য়ান্না অরুবা সমস্যা মায়োক্লরে। নাকল অমরোমদনা সাসনগী চুক্লি পায়রিবা ফোরেন কেপিটেলিজমগী চৈথেং অদুগা অতোপ্পা অমরোমদনা লৈবাক মনুংগী কেপিটেলিষ্টশিং। অকোনবগী অসিনা লৈঙাক সাসন্দা মখোয়গী চাকথুং খরদং ফংবা ঙন্নবা মীয়াম্বু বিস্বাসঘাত তৌরগা মীরমগী লৈঙাক মপু ওইরিবা ফোরেন কেপিটেলিজম লোমদা নকশিনবা পাল্লি। মরমসিনা প্রোলিটরিয়েটশিংগী অমতা ওইবা পন্থুংদি সোসিয়েলিজমনি, মসিগী লম্বীদা চংলবতদা মপুং ফানা নিংতম্বা ফংদুনা সমাজ সিদা লৈরিবা খেন্নবসি মুথত্তুনা হেন্না খুদোংচাবা ফংবা কাংবুশিংদগী শক্তি লৌথোকপা ঙমগনি। শন্না হায়রবদা হিন্দুষ্টান রিপব্লিকান এসোসিয়েশন কৌরম্বদগী হিন্দুষ্টান সোসিয়েলিষ্ট রিপব্লিকান এসোসিয়েসন হায়না ওনখিবসি ভগৎ সিংহ মশামক্কী পোলিটিকেল অন্দরষ্টেন্দিংদা অহোংবা লাক্তুনা সোসিয়েলিজমদা চেৎনা থাজরকপগা মরি লৈনৈ। মহাক্লা পামজরম্বা সোসিয়েলিজমদি শেঞ্জাও পাইবগী নীতি (কেপিটেলিজম) বু মরু ফংনা মুথত্তুনা মীগা মীগগী মরক্তা খেন্নবা (ক্লাস) লৈহন্দবনি। মহাক্লা জেল মনুংদগী খুৎই ওইনা লোন্না পীথোরকখিবা মেনুস্ক্রিপ্ট মরীগী মনুংদা অমা ওইরিবা ''দ আইদেল ওফ সোসিয়েলিজম'' হায়বসি মাংলমদ্রবদি ভগৎ সিংহনা নিংলম্বা সোসিয়েলিজমগী ৱাখল্লোন হেন্না মপুং ফানা মীয়ান্না খঙবা ঙম্লমগদবনি। মসি ওইথোকখিদ্রবসু কুমজা ১৯২৬ তা লিংখৎখিবা নৌজৱান ভারত সভাগী পোলিটিকেল এজেন্দাদা সোসিয়েলিষ্ট অমদি সেক্যুলার ওইবা ইন্দিয়া শেম্বদা য়ুম্ফম ওই। মরুওইনা অদুগুম্বা ইন্দিপেন্দেন্ট রিপব্লিক অদু লৌমী শিন্মীশিংনা লৈঙাক্কী চুক্লি পায়গনি হায়না পল্লি। মহাক্লা ইরম্বা কয়াদা লৌমী–শিন্মীশিংগী অপুনবা লিংজেলগা লোয়ননা লৈঙাক শাসনগী মরুওইবা দায়িত্ব লৌরকপগী ৱাফম তোয়না পল্লি।

ভগৎ সিংহগী ৱাখল খনবগী অমদি কাচিন কোয়া য়ৌনা কুপ্পা নৈনবগী শক্তি কয়াম ৱাংবগে হায়বসি মহাক্লা জেলদা লৈবগী অরোইবা মতম খরদা ইরম্বা ''হ্বাই আই এম এন এইঠিষ্ট'' তা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি। লাইরিকসিনা মরুওইনা ফোঙদোক্লিবসি মীওইবা ফুরুপ্পা হৌরকপা অমদি ঈশ্বরদা থাজবী অমা থমলিবসিগী মরমনি। অনীমকসি মহাক্লা য়ান্না রেসনেল ওইবা মীয়েংদগী নৈনৈ। মীওইবনা হৌরকপগী মতাংদা দারৱিনগী থিওরী ওফ ইভোলুসনগী য়ুম্ফম ওইরগা নৈনৈ অদুগা ঈশ্বর হৌরকফমগী মতাংদা অতৈ রেদিকেল থিংকরশিংগা মহাক্কা খেন্নে। মহাক্লা থাজবদি মীওইবগী পুন্সি অকা– অকুমগী তাঙ্ককশিং থৌনা লৈনা থেংনবা ঙন্নবগীদমক্তা ঈশ্বর লৈ হায়বগী ৱাফমসি পুশিল্লকখিবনি। ভগৎ সিংহগী ৱাহৈদা ঈশ্বর হায়বসি কনানা ইপা, ইমা, ইচে, ইচন, ইয়াম্বা, ইনাও অসুন্না অৱাবা তারবা অমদি মরুপ মপাংশিংনা নমথাক তৌবীদুনা অৱা ঈপাক্তা তাওরবা মতম, কনা য়েংবা উদ্রবদা ঐগীদমক্তা ঈশ্বরনা ইনাক্তা লেংদনা লৈদুনা ইতেং পাংলি হায়না খন্নে। ঈশ্বরনা তৌবা ঙমদবা অমত্তা লৈতে। অসুন্না ঈশ্বরদা থাজবা থম্বসিনা অৱা অনা তারকপা মতমদা পাম্বে ওইনৈ। ভাবনা ঈশ্বরগী শক্তম শাগত্তুনা লাৎপা হৌই। ঐনা ঈশ্বর লৈতে হায়বসি নাপন নত্তে, ঐগী ৱাখল খনবগী মওং তোঙানবদুনা ঐবু লাই থাজদবা অমা ওইহল্লে হায়খি।

ভগৎ সিংহ তশেংনমক সেক্যুলারিজমগী চেম্পিয়ননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ধর্ম্ম অমসুং অন্ধবিশ্বসকী কুয়োন্না কুপশিন্দুনা লৈরিবা মীয়াম্বু মসিদগী নাম্থোক্তুনা লৈবাক্কী নীংখা তম্বগী ঈহৌদা চংশিন্নবা মহাক্লা কন্না হোৎনখি। মসি ওইথোক্লবগীদমক মাগী কমরেদশিংবু ৱাফম অমদি হিরম খুদিংমক রেসনেল ওইবা মীৎয়েংদা য়েংনবগী ৱাখল্লোন পীখি।

ভগৎ সিংহগী বিচার অমদি মাগী কমরেড অনী– সুখদেব অমসুং রাজগুরুগা লোয়ননা মার্চ ২৩, ১৯৩১ দা বৃটিশ লৈঙাক্লা ফাঁসি তৌদুনা সেন্ট্রেল এসেমব্লিদা বোম লংশিনবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা হাৎখিবদা লৈবাক মীয়াম অৱাবা অমদি ঙকপনা খম থেংখি। জৱাহরলাল নেহরুনা সহিদ ভগৎ সিংহবু অসুন্না শৈথাই– মহাকসি য়ান্না অমকপা লৈতবা য়েক্লববু ফোংনা থেংনখিবা (মায়োক্লখিবা) অথৌবনি। মমা লৈবাক্কীদমক্ত খনবদা মথৌদাং ওইখিবা নহামচানি। মহাকসি মৈরিক্কা পাঙ্খকনি। মদুনা য়ান্না থুনা লৈবাকসিগী কাচিন কোয়া শিঙ্খুংনা শন্দোকখিদুনা অমম্বনা কুপ্পুরবা মীয়ামদা মঙাল (অচুম্বা ৱাখল্লোন) পীখিবা রেভল্যুস্নরীনি। সুভাচন্দ্র বোসনসু মহাকসি নহারোলশিংবু মীকপ থোকহল্লম্বা মীশক্তুনি হায়না শিংথাখি।

মহাকপু শিবগী দন্দি পীদুনা ফাঁসি তৌগদবা থা অনীরোমগী মমাংদা নিংতম ঈহৌগা মরি লৈনবা ৱারোল অমদা মহাক্লা অসুন্না ইখি– অশেংবা রিভোলুসন্নরী লান্মীদি খুঙ্গংদা অমদি ফেক্টরিদা লৈ, মখোয়দুদি লৌমী অমদি শিন্মীশিংনি। লোয়ননা মহাক্কী পোলিটিকেল ফিলোসোফিদি কাংলুপকী লড়াই (ক্লাস ষ্ট্রগল) দা য়ুম্ফম ওই হায়বসি মহাক্লা ফোঙদোক্লম্বা ভিউশিং ইন্দিয়াগী নিংতম ঈহৌ অসি মশাগী ওইজবা ফংনবগীদমক ইচম চমজবা শিন্মীশিংবু ওৎলিবা মহাক্কী ৱাহৈদা মীওৎপা খুজোক খরতা ঙাইরবা ফাওবদা চথখিগনি হায়বসিনা ময়েক শেংহল্লি। মীওৎপা, মীবু শুমদুনা চাবশিংসি বৃটিশ কেপিটেলিষ্ট ঙাক্তা ওইবা য়াই, বৃটিশ অমসুং ইন্দিয়ান কেপিটেলিষ্ট পুনশিন্নবা ওইবসু য়াই নৎত্রগা ইন্দিয়ান মচা ঙাক্তা ওইবসু য়াই। মসিনা ঐখোয়না চংশিনগদবা খোঙজংদা খেন্নবা লৈরোই।

অওনবা মঙোন্দা পীগদবা অশেংবা শ্রদ্ধাঞ্জলিদি অফবা সমাজ অমা লিংনবগী পান্দদা চঙশিল্লিবা ঐখোয় খ্বাইনা মহাক্কী ৱাখল্লোন মীনা মীবু ওত্তবা লোয়ননা লায়র–ইনাকখুনবা খাইদবা সমাজ অমা শাগৎনবগী লম্বীদা পুন্না চংশিনমিন্নদুনা থবক্তা ওম্থোক্লবা হোৎনবনা খ্বাইদগী চাশিন্নবা ওইগনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## কাল্লে ফূনি, কান্দ্রে ফূনি খন্নরগুমসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

থৌদোক ৱাথোক্লা তোয়রবা, মীশি-মীনানা কাংদ্রবা লমদম করম্না নুংঙাইবা লমদমনি হায়গনি, হায়বা য়ারোই ইশাগী ইমুংদা লৈমিন্নবা ইচা-ইশু, মচিন-মনাও ফাওবা পুকচেল তিন্নদ্রগা, লিংজেল মান্নদ্রগা করম্না ইমুংগী নুংঙাইবা শক্তম উৎকনি ঙাইহাক লৈতনা ককশাবী শাদুনা ক্রক-ক্রক য়েংশিন্নবা, মচিন-মনাও নুংশিনদনবা হোৎনবা, অপাম্বা খরগী মমা-মপা, মচিন-মনাও অমগা অমগা লৈমিন্নবদা ওৎ-নৈবা অদুগুম্বা মচা অমদি য়াওদবা লৈরম্লোই ইমুং অমদা, শোয়দনা য়াওরমগনি। তৌবগীদি মচা অমগী হাক্তক্তা মপা-মমা নুংঙাইবা, মচা অমগী হাক্তক্তা লৈখা তাবা, মীমাং থোকপসু য়াওনবা য়াওরিবনি। অদুগা ঐনা তৌরগা ফরে খঞ্জবা, মীনা তৌবদি য়াদে হায়বগী পুকচেল চেনবা কয়া লৈনবনা মীওইবা ঐখোয়গী খুন্নাইদা নীংতম্না পাইজবা ফংদ্রবা চেক্লাগুম, পোন্দা ফাজিন্দুনা থম্বীবা পোম্বীগুম্না মতু পোন্না ঐখোয়গী লমদমদা লৈনবসু কয়ানি। অদুবু ঐগী ঐগী থম্মোয়দা চেল্লিবা অচুম-চুমদ অনীগী ঈচেলদা অচুম্বা পামজবা পূক্লিং-ৱাখল অদুনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা মায়থোঙ মকা লাম্লকপা, লাল্লুরবা পূক্লিং মাগীনা নোংদম্বনা পীরকপা অৱাবা ওইরো, নুংঙাইবা ওইরো মানা তৌজরুবগী মহয় শোয়দনা ফংগদৌরিবনি হায়বদা লাল্লোই। ঙাইবদা ৱাবখক্কী ৱানি খল্লি। অদুনা লমদম অমা চাওখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় মশেল লিংজেল মান্নদ্রগদি চাওখৎপা ঙমগদৌবা মান্দে, লিংজেলবু মান্নদ্রবা মীগী খদাং মখা থাদুনা লেনবা, শিবা ঙাইনা হিংবা পুন্সি মহিং তারক্কদ্রা খল্লি। ঐখোয় মশেল লিংজেল মান্নবতনা কল্লক মীৎয়েং চঙবা ঙম্লোই, তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাই হায়নবা পাউরৌসু লৈরিবনি।

নাকল অমরোমদা মীওইবা কয়াগী মরক্তসু মশাগী অনীংবা হেক থুংদ্রিমখৈ মীবু ৱাহনবা মীওইসু লৈনরি, থবক অমা তৌবদা মশা য়াওনদি তৌনীংদবা, মীঙোন্দা পাউখোলখক্তা শীনীংবা মীওইসুনি লৈনরি। মসিদা পাউখোলগী শরুক য়াদুনা থবক শুরিবা কয়াদা ফজৈ-থী, শোয়-শোয়দে ঙাঙবীবা, থবক্লা লোইদ্রিঙৈ নোংমতা হন্না য়েংলদবা মীওইসু কয়ানি লৈরিবা। অদুনা মী-মীগী পূক্লিংগী অনীংবা অপাম্বা ৱাখল্লোন্দি কনানা খঙবা ঙম্লুনি। অদুগা নাকল অমরোমদা অমগীসু অমগীসু পাউথাং, লৌশিং, মীৎ-নাকোং শিংহল্লিবা মীওইশিং, মীৎনা উবা কয়াগী পাউদম, অতোপ্পা কনাগী পাউখোলদা থৱায় ৱাজবশিংগী ৱাবা, হাপত্রে মীনা নুংশিবীদবা, হাপ্লুরে য়েক্লবা ওইনা খনবা, ফত্তববু খুমজিল্লু অফবতা শন্দোকউ, হুরান চিন্থিগী লম্দা চৎলুবগী, মীংচৎ থীনা শেঞ্জাও পায়গে খন্দুনা হোৎনজবা কয়াগী, ৱাহৈ য়াকা ফোঙগনু অফবা শাপ শন্দোকউ হায়দুনা মীঙোন্দা অৱাবা পীবসু কয়ানি, মীংচৎ থীনবা হোৎনবসু কয়ানি। মতমগী খোঙচৎ ঈথক-ঈপাক্তা মীয়ামগী পাউমীশিংগী পুন্সিনা ৱানা তুরেল কাউশিংগুম কোইতাও তাওনা লেনবা পুন্সি ওইয়ু হায়বগী ৱাখল্লোন্নি খঞ্জে।

ঐগী ঐগী পাউখোল ইন্দ্রগনা য়েক্লবনি খনবীবা হায়বসি খল্লুবা ৱাখলদুগী মরাল ওইরোইদ্রা? অৱা নুংঙাই, অফ-ফত্ত, অরোনবা-অফোংবা কয়াগী তিঙ্খং তুম্বৌনা জঙ্গল ওইরবা ঙসিগী খুন্নাইগী মল্লবা পুন্সি লম্বী চৎপদা চৈশু ওইরিবা পাউমীগী পুন্সিবু তরাইনা লৌবীখিবা, শান্নপোৎ অমগুম খন্দুনা শান্ননীংবা মওংদা শান্নগে, য়াদ্রগা অঙাংনা শান্নপোৎ থুগাইজবা মাননবা হোৎনবসিসু মীওইবগী নুংশিনবগী লম্বীদা তিঙ্খংগী লাং থাকপগুম থোক্কদ্রা খল্লি। হোয়, অমবু ওইরো, অমবু ওইরো ঐখোয়না তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমা, লমদম অমা শেমগৎ শাগৎপদা 'কাল্লে ফূনি, কান্দ্রে ফূনি' হায়বগী ৱাখল থাদোক্লদ্রগদি মসিনা অপনবা পীবতা নত্তনা য়ুমথংনবা মীরমদম কয়াগী মমাঙদা পাউ য়ৌনখ্রগা ইরমদম মায় থম্ফম লৈরক্লোই খঞ্জে। অদুনা পূক্লিংগী অশাউবা ফাথদুনা ৱাখল তামিন্নদুনা থৌবাংমিন্নবনা তুংগী লম্বীদা অফবা ওইরক্কনি খঞ্জে। পুন্সি হায়বসি তম্বা ঙমদ্রবা য়ূম্বানগুম্বনি, খুদি অমুক থিবদা নুংঙাই-য়াইফবা, খুদি অমুক থিবদনা খুদোংথিবা নংবা মীওইবগী লাইবক্তা ইদুনা লৈখ্রবনি হায়নৈ। ঐ মঙাইরে চৎলবসু য়েংশিনবা খুদোংথিবা কয়ানা লাঙ্গৌই চন্না লৈ হায়বসিসু হিংলিবা ঐখোয় ঐখোয়গী পুন্সিদা কাউনদনা চৎনবনা পুন্সি নুংশাংগদ্রা খঞ্জে।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।